## ইরাকনা ন্যুক্লিয়র ফাইল খন্নখ্রে

বাঘদাদ, সেপ্তেম্বর ০৮ (এজেন্সি) :
উংখৎনবগী ফিভম লৈহন্দনবা মরা তপ্পা মওংদা সোল্যুসনশিং পুথোক্লবগীদমক্তা ইরাককী প্রাইম মিনিষ্টর অদেল অব্দুল মাহদিনা বৃটেন, ফ্রান্স অমসুং জমর্নিগী এম্বেসেদরশিংগা ইরানিয়ন ন্যুক্লিয়র ফাইলগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে। মাহদিগী ওফিসনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, ইরাক্কী প্রাইম মিনিষ্টরনা এম্বেসেদর অহুম অদু বাঘদাদতা ওক্তুনা মখোয়গা খ্বাইদগী মরু ওইনা ন্যুক্লিয়র ক্রাইসিস অদুগী মতাংদা কুপ্পা তান্নখি হায়না সীনহুৱাগী রিপোর্টনা হায়খি।

## দোরিয়ন কানাদাগী এটলান্টিক কোষ্ট য়ৌখ্রে

হেলিফেক্স, সেপ্তেম্বর ০৮ (এজেন্সি) :
হরিকেন দোরিয়ন থাংজ নুমিত্তা কানাদাগী এটলান্টিক কোষ্টতা অকনবা শাফুগা লোয়ননা শীৎচিনখিবগা লোয়ননা উ কয়া থুদেকখ্রে, ইলেক্ট্রিক পাৱর সপ্লাই মফম কয়াদা লেপহনখ্রে অমসুং হেলিফেক্সতা অচৌবা কন্সট্রক্সন ক্রেন অমা হুমখ্রে হায়রি।

## কাবুল বোম্মিংনা মরম ওইদুনা ট্রম্পনা য়ু এস-টালিবান ৱারী কেন্সেল তৌখ্রে



ৱাশিংটন, সেপ্তেম্বর ০৮ (এজেন্সি) :
টালিবান অমসুং অফঘানিষ্টানগী লিদরগা পাওথোক্লবা থৌরাং তৌখিবা অরোনবা মীফম অমা কেন্সেল তৌরে হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অমেরিকাগী খ্বাইদগী মতম শাংলবা লান লোইশিনবা য়ানবা চহী অমা চুপ্পা চত্থরকখিবা দিপ্লোমেসিগী থবকশিং মহাক্না খঙহৌদনা লোইশিনহনখ্রে।

চয়োল লোইশিল্লকপদা ট্রম্পনা হায়খি মদুদি, মহাক্না মেরিলেন্দদা লৈবা প্রসিদেন্সিএল রিট্রিট কেম্প দেভিদতা নোংমাইজিং নুমিত্তা নাকল অনীগা ৱারী খরা শান্ননবা থৌরাং তৌখিবনি। তৌইগুম্বসুং টালিবান্না লেপ্পা লৈতনা হঙ্গোইনিংঙাই ওইরবা মওংদা হাৎপা-তুপ্পগী থবক থৌওং কয়া চত্থরক্লিবা অসিনা মখোয় মতিক চাদবা পার্টনরশিং হায়না ঐহাক্না লৌরে।

কনামত্তনা খঙলোইদবা ফিভমদা টালিবানগী লুচিংবশিং অমসুং অফঘানিষ্টানগী প্রসিদেন্টগা ঐহাক্না কেম্প দেভিদতা নোংমাইজিং নুমিত্তা তোঙান তোঙান্না ৱারী শান্ননবা থৌরাং তৌরম্বনি হায়না ট্বিট অমদা মহাক্না ইখি। লাইবক থিবদি অরানবা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা প্রেসর হেন্না পীনবা হোৎনরদুনা মখোয়না (টালিবান) ঐখোয়গী মমল য়াম্লবা লান্মীশিংগী মনুংদা অমা হাৎখ্রে অমসুং অতৈ মীওই ১১ অশোক-অপন নংহনখ্রে হায়না মখৌ পোংনা ক্লেম তৌরকখি।

মখোয়গী থৌওং অসিনা মরম ওইদুনা ঐহাক্না খুদক্তা মীফম অদু কেন্সেল তৌবগা লোয়ননা পিছ নিগোসিএসন খুদিংমক লেপহনখ্রে। করম্বা মখলগী মীওইশিংনা কিহন্দুনা খুদোংচাবা লৌননবা নৎত্রগা অপাম্বা ফংনবগীদমক্তা মীওই কয়া লেপ্তুনা হাৎকদগে হায়বসি হংনিংঙাই ওইবা ৱাফম অমনি। মখোয়গী থৌওং অসিনা ফিভম লুশিলহনবা নত্তনা অতৈ কান্নবা অমত্তা পুরক্লোই হায়না মখা তানা ট্বিটরদা ফোঙদোকখি।

টালিবান্না য়ু এসকী স্পেসল এনভোই অমগা নিগোসিএসন চত্থবা লৈন-লৈনা কাবুলদা শগোলশেল নুমিত্তা কার বোম এটেক অমা চত্থদুনা য়ু এস লান্মী অমগা লোয়ননা রোমানিয়াগী সর্ভিস মেম্বর অমা হাৎখিবনি।

## টালিবানননা ভাইওলেন্স লেপ্তুবনা পিছ টোক চত্থবা য়ারোই : অফঘান প্রসিদেন্ট



কাবুল, সেপ্তেম্বর ০৮ (এজেন্সি) :
টালিবান্না হাৎপ-তুপ্পগী থবকশিং লেপ্তুনা চত্থদুনা লৈরিঙৈ মরকসিদা অফঘানিষ্টান্দা অপাম্বা পান্দম ফংনবা মখল অমত্তগী পিছ টোক চত্থবা য়ারোই হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা প্রসিদেন্সিএল পেলেসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

অফঘানিষ্টান্দা মরা তপ্পা ফিভম লাক্লবা হোৎনবদা খ্বাইদগী চাওনা অয়েৎ-অপন ওইরিবদি টালিবান্না লুচিংদুনা লৈবাক অসিদা লেপ্তুনা লান তৌবা অমসুং ভাইওলেন্স চত্থরিবা অসিনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদু পল্লদুনা সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

মখা তানা প্রসিদেন্সিএল পেলেসনা ফোঙদোকখিবদা, টালিবান্না অফঘানশিংবু হাৎপা লেপ্তুনা সীজফায়রগী থৌরাং য়াবগা লোয়ননা অফঘান গভর্নমেন্টকা হকথেংননা ৱারী শান্নবা হৌদ্রিমখৈ অফঘানিষ্টান্দা থাঙ্গৈশেংনা মরা তপ্পা ফিভম লাকহনবা য়ারোই।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা থাংজ নুমিত্তা ট্বিটরদা থাগৎখিবা ৱারোল খরগী খুথাংদা টালিবান অমসুং অফঘানিষ্টানগী প্রসিদেন্ট অস্রফ ঘানিগা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা কেম্প দেভিদতা পাওথোক্লবা থৌরাং তৌখিবা অরোনবা মীফমশিং কেন্সেল তৌরে হায়না লাউথোকখিবা মতুংদা ঘানিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

## টাইফুন লিংলিংনা সাউথ কোরিয়াদা মীওই অহুম শিহনখ্রে



সিওল, সেপ্তেম্বর ০৮ (এজেন্সি) :
চহী অসিগী ওইনা সাউথ কোরিয়াদা শীৎলকপা ১৩ শুবা নোংলৈ নুংশিৎ ওইরিবা টাইফুন লিংলিংনা মরম ওইদুনা য়াম্দ্রবদা লৈবাক অসিদা মীওই অহুম শিহনখিবগা লোয়ননা ফ্লাইট চা কয়াসু কেন্সেল তৌহনখ্রে অমদি মফম কয়াদা পাৱর সপ্লাই ফেল ওইহনখ্রে হায়না সাউথ কোরিয়াগী ওথোরিটিশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ওথোরিটিশিং অসিগী মতুং ইন্না টাইফুন অদুনা মরম ওইদুনা পাৱর সপ্লাই লেপহনখিবা অদুদা য়ুম ১৬০,০০০ লোম মমহনখ্রে হায়রি। ইফে ন্যুজগী রিপোর্ট মতুং ইন্না পুংদা কিলোমিটর ১৪০ হেন্না য়াংনা শীৎলকখিবা নুংশিৎশিংনা অকনবা শাফুগা লোয়ননা হুন্নকখিবদা বোরিয়োং টাউন্দা মশাগী চহী ৭০গী মথক ওইরবী নুপী অমা শিখি। সিওল সিটিগী নোংচুপ্লোমদা লৈবা ইঞ্চিওনদা নুপা অমা ফক্লাং নীংখায়রগা মথক্তা ননশিল্লকপদগী শিখি অমসুং কেপিটেলগী অৱাংদা লৈবা পাজ ুদা অতোপ্পা অমনা নুংশিৎনা হুমদোরকখিবা য়ুমথক্কী শরুক খরা তাশিল্লকপদগী শিখি। থাংজ নুমিত্তা সাউথ কোরিয়াদা অকনবা শাফুগা লোয়ননা য়ৌশিল্লকপখিবা টাইফুন অদুনা মরম ওইদুনা লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা এয়রপোর্টশিংদা ফ্লাইট ৪০০ হেন্না কেন্সেল তৌখ্রে।

নোর্থ কোরিয়া লাল্লবা মতুংদা টাইফুন লিংলিং অয়ুক পুং ৯ লোম তাবদা অৱাং নোংপোক থংবা চাইনিজ প্রোভিন্স হৈলোংজিয়াংদা ট্রোপিকেল নোংলৈ নুংশিৎ অমা ওইনা শীৎখি হায়না কোরিয়ন মিটিওরোলোজিকেল এদমিনিষ্ট্রেসন্না ফোঙদোকখি। লিংলিং অসি কুমজা ২০১২ তা শীৎলকখিবা বোলাভেনগী মতুংদা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা লাকপা খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈরবা টাইফুননি।

## প্রোটেষ্টরশিংনা হোং কোংবু মনীং তমহন্নবা ট্রম্পতা আপিল তৌখ্রে

হোং কোং, সেপ্তেম্বর ০৮ (এজেন্সি) :
হোং কোংগী প্রোটেষ্টর লিশিং কয়ানা নোংমাইজিং নুমিত্তা য়ু এসকী ষ্টার-স্পেংগলদ বেন্নর হায়না খঙনবা নেসনল এন্থেম শক্লদুনা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পতা চাইনানা লৈঙাক্লিবা সিটি অদুবু মনীং মখা তমহন্নবা আপিল তৌখ্রে।

প্রোটেষ্ট অদু ঈংনা চিক্না হৌখিবা ওইরবসু মমাংদা তৌখিবগুম্না থোঙনাওশিং থুগায়বা অমদি লম্বীদা মৈ থাবনচিংবা থৌওং কয়া মতুং তারকপদা উখি। হন্দক্তি প্রোটেষ্টরশিংনা নুমিদাংগী মতম য়ৌরকখিবা মতমদা সিটি অদুদা লৈরিবা খ্বাইদগী মরু ওইবা বেঙ্কিং অমসুং সোপ্পিং দিষ্ট্রিক্তা মখোয়গী এক্তিভিটিশিং চত্থখি।




নুংশাগী মৈশাদগী ঙাকথোক্ল বগীদমক্তা য়াম্লবা ছাটিনশিংগী মরুমদা লেপ্লিবা প্রোটেষ্টরশিংনা য়ু এসকী ফিরালশিং পায়দুনা হাইবগা লোয়ননা হান্নগী বৃটিশ কোলোনি অদুদা দিমোক্রেসি চৎনহন্নবা তকশিনবা প্লেকার্দ কয়া পায়দুনা লৈরিঙৈদা নাকলদা মখোয়বু পুলিস পর্সনেলশিংনা শেন্নখি।

মখোয়না নীংতম্লবগীদমক্তা লান্থেংনসি অমদি হোং কোংগীদমক্তা লেপসি হায়বা খোল্লাওশিং লাওবগা লোয়ননা য়ু এস কোন্স্যুলেটতা চঙশিন্দুনা ৱাকৎ চেরোল পীশিনখি। য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরি মার্ক ইস্পরনা চাইনাদা কুমজা ১৯৯৭ তা চাইনিজ লৈঙাক্তা শীন্নরকখিবা হোং কোংদা প্রোটেষ্টশিং অদুগা মরী লৈননা পুক্নিং ফাথনবা আপিল তৌখিবনি।

হৌখিবা থাদা ট্রম্পনা চাইনাদা ৱাশিংটনগা লল্লোন ইতিক্কী মতাংদা দিল অমা পুরক্লিঙৈগী মাঙওইননা হোং কোংগী প্রোব্লেম মীওইবগী মীনুংশি উৎপা থৌওংগা লোয়ননা লৈখায় তাবনা হেন্না ফবা ওইগনি হায়বা ৱাফম হৌদোকখিবনি।

## টর্কিস মিলিটরিনা সিরিয়াদা য়ু এসকা জোইন্ট পেট্রোল হৌখ্রে



অঙ্কাকালে, সেপ্তেম্বর ০৮ (এজেন্সি) :
কার্দিস ফোর্সশিংনা মরু ওইনা কন্ট্রোল তৌরিবা বোর্দরগী লমদম অমদা 'সেফ জোন' অমা লিংনবা হান্না থৌরাং তৌখিবা মওংদা জোইন্ট পেট্রোলশিং পাঙথোকপা হৌমিন্ননবা খুৎলায় মতিক চানা য়াওরবা টর্কিস মিলিটরি ভেহিকলশিং নোংমাইজিং নুমিত্তা সিরিয়াদা চঙশিন্দুনা য়ু এসকী লেংমান্নবশিংগা পুননবা খা নোংচুপ থংবা লমদম পাংখ্রে হায়রি।

য়ুফ্রেটিস তুরেলগী নোংপোক থংবা লমদম অদু অঙ্কারানা টেররিষ্টশিংনি হায়না লাউথোকখ্রবা য়ু এসকী মীচংশিং ওইরিবা কর্দিস ৱাই পি জি ফোর্সনা মরু ওইনা কন্ট্রোল তৌদুনা লৈরিবনি। মতম শাংনা অমসুং কন্না নিগোসিএসন চত্থরকখিবা মতুংদা টর্কি অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনসু জোইন্ট ওপরেসন সেন্টর অমা লিংমিন্নখি। তৌইগুম্বসুং জোন অদু কদায় ফাওবা পাক চাওহনগদগে অমদি মফম অদুদা ওপরেট তৌগদৌরিবা ফোর্সশিং অদুগী কম্মান্দ ষ্ট্রকচরগী মতাংদা য়ানদনা লাকখিবনি।

নাটোগী মীচং লৈবাকশিং অসিনা মফম অদুদা পুন্না হেলিকোপ্টর পেট্রোলশিং কয়ারক হন্না পাঙথোকমিন্নখ্রে। বোর্দরগী খা রোমদা চহী ৮ চুপ্পা লান শোক্লরকখিবা মতুংদা সিরিয়ন রেফ্যুজি মিলিয়ন ৩.৬ রোম চঙজফম পীরিবা টর্কিনা সিরিয়াগী অৱাং থংবা শরুক্তা রেফ্যুজি মিলিয়ন অমা নৌনা খুন্দাহনবা য়াগনি হায়না থাজরি।

করিগুম্বা য়ু এস ফোর্সশিংনা য়ুফ্রেটিসকী নোংপোক্তা ঐখোয়গী ফোর্সশিংগা পেট্রোলিং তৌমিন্নদুনা চৎমিন্নবা য়ারবদি অমসুং অৱাং নোংচুপ থংবা সিরিয়াগী ইদলিবতা টর্কিস ওবজার্ভেসন পোইন্টশিং থম্বা য়ারবদি খুদিংমক্কী অফবা ওইগনি হায়না টর্কিগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর সোলেয়মান সোলুনা নোংমাইজিং নুমিত্তা সী এন এন টর্ককী ইন্টরভিয়ু অমনা হায়খি।

হৌখিবা চহী ৪ হেনবা মতম অসিদা য়ু এসকী সপোর্টকা লোয়ননা ৱাই পি জিনা মকোক চিংলিবা সিরিয়ন দেমোক্রেটিক ফোর্সেস (এস দি এফ) এলাইয়েন্সনা নোর্থ-ইষ্টর্ন সিরিয়াগী অয়াম্বা মফমশিং ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংদগী খুদুম চন্দুনা থল্লকখিবনি। সেফ জোন অদুদা অয়াম্বনা অরাবকী লমশিংগী মীওই কয়া লৈগনি হায়রি।

## 'ন্যুক্লিয়র দিলগী কম্মিটমেন্টশিং ঈ য়ুনা ঙাকপা ঙমদ্রে'

দুবাই, সেপ্তেম্বর ০৮ (এজেন্সি) :
কুমজা ২০১৫ গী ন্যুক্লিয়র দিলদা পার্টিশিং ওইরিবা য়ুরোপকী লৈবাকশিংনা পেক্ট অদুগী মখাদা মখোয়না ঙাকফম থোকপা কম্মিটমেন্টশিং ঙাকপা ঙমদ্রে হায়না ইরানগী ন্যুক্লিয়র চীফনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

পেক্ট অদুনা ইরানগী ন্যুক্লিয়র এক্তিভিটিদা পীরিবা পনখৈশিং মখা তানা থুগায়রগনি হায়না টেহরান্না লাউথোকখিবা মতুং নোংমখক লৈরগা ইরানগী ন্যুক্লিয়র চীফনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিনি।

দিল অদুনা ইরানদা থল্লিবা অথিংবশিং কোমথোকপগী ফিভমদা য়েৎনদুনা লাকখিবা লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম কন্ট্রোল তৌখি। তৌইগুম্বসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হৌখিবা চহীদা দিল অদুদগী ৱিথদ্রো তৌখিবগা লোয়ননা ইরানগী থাউ য়োনবগী থবকশিং য়াহন্দনবা মওংদা অহেনবা অথিংবা কয়া লৈবাক অসিগী মথক্তা লাউথোকখিবগী টেহরান অমসুং নোংচুপ্লোমগী লৈবাকশিংগা উংখৎনরকখিবনি।




ফ্রান্স, জমর্নি অমসুং বৃটেননা ইরানবু য়ু এসকী অথিংবশিং অদুদগী ঙাকথোকপা য়াননবগী পান্দমদা বার্টর ট্রেদ মেকানিজম অমা হৌননবা হোৎনরকখিবদা খুদোংচাদবা ফিভম খরা লৈবদগী হৌজিক ফাওবা থবক ওইনা পাঙথোক্তনা লৈরিঙৈদা টেহরান্না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা য়ুরোপকী লৈবাকশিংনা য়ু এসকী অথিংবশিংগী মতাংদা লৌখৎফম থোকপা মতিক চাবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবগীদমক্তা নুমিৎ ৬০ নিগী মতম পীরে হায়না লাউথোকখি।

লাইবক থিবদি য়ুরোপিয়ন পার্টিশিংনা ঙাকফম থোকপা কম্মিটমেন্টশিং ঙাকপা ঙমদ্রিবা দিল অসি ইরানখক্তনা তৌফম থোকপশিং তৌরগা মপুং ফাগদবা নত্তে। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা ইরাননা হৌজিক ফাওবদা তৌরকখিবা মওংদা কম্মিন্টমেন্টশিং মখা তানা থুগায়দুনা দিল অদুবু মমৈথংদা মপুং ফানা ঙাক্তনবগী থবকশিং পায়খৎলগনি হায়না ইরানগী ন্যুক্লিয়র ইনর্জি এজেন্সিগী দিরেক্টর অলি অকবর সালেহিনা ফোঙদোকখি।

য়ু এন ন্যুক্লিয়র ৱাটচদোগ (আই এ ঈ এ)গী এক্তিং হেদ কোর্নেল ফেরুতাহগা নোংমাইজিং নুমিত্তা টেহরানদা উনখিবা মতুংদা সলেহিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

## য়ু কেগী ৱার্ক এন্দ পেন্সন্স সেক্রেটরি মফম থাদোকখ্রে




লন্দন, সেপ্তেম্বর ০৮ (এজেন্সি) :
প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সননা বৃটেন্না য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোক্লবা হোৎনবদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংদা য়ানিংদবা উৎলদুনা লৈবাক অসিগী ৱার্ক এন্দ পেন্সন্স সেক্রেটরি এম্বর রুদ্দ থাংজ নুমিত্তা গভর্নমেন্ট অমসুং রুলিং কঞ্জাভেটিভ পার্টিদগী রিজাইন তৌখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর জোন্সন্না হায়রিবদি মহাক্না বৃটেনবু ওক্তোবর ৩১ দা দিল অমা য়াওরবসু নৎত্রগা য়াওদ্রবসু শুংশোই শোয়দনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোকহনবা পাম্মী হায়বসিনি। তৌইগুম্বসুং মহাক চয়োল অসিদা পার্লিয়ামেন্টতা মেজোরিটি মাঙখিবগা লোয়ননা মহাক্না পার্লিয়ামেন্টতা লৈরিবা মহাক্কী কঞ্জাভেটিভ পার্টিগী গ্রুপতা য়াওরিবা লোমেকর ২১ তান্থোকখি। দিল য়াওদবা এগজিটকী থৌরাং অমা থিংনবা হোৎনরদুনা ওপোজিসন্না পুথোরকখিবা থৌরাং অমা শৌগৎলুবগীদমক্তা মখোয়বু তান্থোকখিবনি। কুমজা ২০১৬ গী ব্রেক্সিট রেফরেন্দমদা বৃটেন্না ঈ য়ুদা মখা তানা লৈবদা শৌগত্তুনা ভোট পীখিবা হান্নগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর অমা ওইরিবা রুদ্দনা হায়খি মদুদি, বৃটেনগী লান মতমগী মালেম্না শীংথানখিবা বৃটিশ লুচিংবা ৱিনষ্টন চর্চিলগী মশুনুপা অমসুং হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর অনী য়াওরিবা রেবেল লোমেকরশিং অদুবু তান্থোকপা হায়বসি লৈবাক মচা তাবগী ৱাখল্লোন ওইদবদা নত্তনা দিমোক্রেসিবু খোঙ্গাওনবগী থৌওং অমনি।

ঐহাক কেবিনেটতগী রিজাইন তৌরে অমসুং কঞ্জাভেটিভ হুইপ সরেন্দর তৌরে হায়না রুদ্দনা মহাক্কী ট্বিটর একাউন্টদা ইখি। পার্টিগীদমক্তা খঙবা অফবা মোদরেট কঞ্জাভেটিভশিং তান্থোক্লবা মতম অসিদা ঐহাক তুমিন্না লৈশিনফম থোক্তে। ঐহাক্না প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং পার্টিগী চ্যেরমেনগা ফম থাদোকপগী ৱারী শান্নরে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## পাকিষ্টানগী চাওখৎ-থৌরাংগী প্রোজেক্টশিংদা চাইনানা দোলর বিলিয়ন ১ ইনভেষ্ট তৌনবা থৌরাংলি

ইস্লামাবাদ, সেপ্তেম্বর ০৮ (এজেন্সি) :
ইস্লামাবাদগী চাওখৎ-থৌরাংগী প্রোজেক্টশিংদা বৈজিংনা দোলর বিলিয়ন ১ ইনভেষ্ট তৌনবা থৌরাং তৌরে হায়না পাকিষ্টান্দা লৈবা চাইনাগী এম্বেসেদর য়াও জিংনা লাউথোকখ্রে।

কেপিটেল ইস্লামাবাদতা থাংজ নুমিত্তা ইস্লামাবাদ ৱিমেন্স চেম্বর ওফ কমর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি (আই দব্লিয়ু সী সী আই)দা ৱা ঙাঙবদা মহাক্না ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি হায়না এক্সপ্রেস ট্রিব্যুনগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি। মসিদা নত্তনা মহাক্না চাইনা-পাকিষ্টান ইকনমিক্স কোরিদোর (সী পি ঈ সী)গী মখাদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিংগী খোঙজেল পেন্নিংঙাই ওই হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা চাইনা-পাকিষ্টান ফ্রী ট্রেদ এগ্রীমেন্ট (সী পি এফ টি এ)গী অনীশুবা ফেজ ওক্তোবরদা ফাইনেলাইজ তৌরবা মতুংদা লৌউ-শীংউগী



পোথোকশিং অমসুং সীফুদ য়াওনা পাকিষ্টানগী এক্সপোর্টশিংগী চাদা ৯০দি দ্যুটি অমত্তা লৌররোই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পাকিষ্টানগী এক্সপোর্টশিং দোলর মিলিয়ন ৫০০ দা হেনগৎলক্তুনা বাইলেটরেল ট্রেদতা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবশিং অদু হন্থহনবা ঙম্লগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

চাইনিজ এনভোই অসিনা নবেম্বরদা পাঙথোক্লবা লেপখ্রবা মঙাশুবা ইস্লামাবাদ এক্সপোদা শরুক য়ানবা চাইনিজ বিজিনেস নুপীশিংসু ইনভাইট তৌদুনা মার্কেট য়েংশিনহনগনি অমসুং নেটৱার্কিং ফগৎহল্লগনি হায়বা ৱাফমসু থমখি।

অমরোমদা, মহাক্না পাকিষ্টানগী নুপী ওন্ত্রপ্রন্যুরশিংসু চাইনাদা থাদুনা এক্সপোশিংদা শরুক য়াহন্দুনা বিজিনেসকী খুদোংচাবা কয়াসু য়েংহনগনি হায়খি। চৈরকসিদা এন্টি-মনিলোন্দরিং অমসুং টেরর-ফাইনান্সিএল রিপোর্টকী মতাংদা অরোইবা ওইনা য়েংশিন্নবগীমক্তা পাকিষ্টানি টিম অমা ফাইনান্সিএল এক্সন টাস্ক ফোর্স (এফ এ টি এফ) কা হকথেংননা মীফম পাঙথোক্ল বগীদমক্তা নোংমাইজিং নুমিত্তা বেঙ্কোক পাংখ্রে।